# ইমা লৈবাক কলহৌবসি ঐখোয় পূন্নমক্কী অহানবা ইথৌনি

## (খুন্নাইসিবু ফগৎনবা হোৎনরিবা পূন্নমক্তা আর্টিকল অসি কৎচরি)



অচুম্বতনা জয় ওইরকখিনি

কর্নেল হাওরোংবম সরত (রিটাইয়র্দ)

শোত্থরবশিংদা কত্থোকচবা

ঙসিসু লমদম অসিদা খোইরি-নাওফম তাখিবা অমসুং ইমা লৈবাক অসিদা ফুমখিবা মীপূম খুদিংদা হায়জনীংবা অমসুং নীংশিংজবা ৱাফম অমখক্তি - ইন্দিয়ানা ইরমদম অসি নম্ফু-হাফুদা কুমজা ১৯৪৯দা লৌশিনখিবনি। মতম অদুদা মীয়াম্না পৈশা ময়েক অমত্তা লৌদনা খনখিবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরগী অয়াবা লৌখিবসু নত্তে। ঐখোয়বু য়াম্না উশিৎ-থৌওইদনা, করিসু তৌবা ঙম্লরোই হায়বগী মওংদা মখোয়গী মখাদা থমদুনা ঙসিসু লাক্লি। খ্বাইদগী ৱাখল ৱাৎপনা, মতম অদুগী কোংগ্রেস পার্টিগী টুপী অঙৌবা উপ্পা, মশাগী অমসুং মখোয়গী মরী-মতাগীদা খনবা কাঙলূপ্পা খুন্নাই অসি মাঙহনবগী লমজিং লমতাক ওইখি। মসি পুৱারীনা খুদম চাংদমনি। মতম অদুগী মতোং চাখিবা মখোয়গী ইমুং-মনুং অমসুং মরী-মতাদু হৌজিক্তি মৰূ চারগা লায়না মখল-মখলগী নারগা পুমকং কংনা মপূন্সি লোইরি। মসি ইংলিসকী সেন্টেন্সতা 'হিষ্ট্রি রিপিটস ইটসেল্ফ' হায়বদু পুমচুম চুন্লি। অসুম্না ঙসিগী মতমদা মতোং চারিবা মখোয়সি চহী খরা লৈরগা মৰূ চাবা ফংলোইদৌরিবনি। মসি মপূগী ৱায়েলনি। মীওইবদি খূবাক-খুনমগী পূন্সি ওইবনি। ঐ মঙাইরে হায়না চৎপা মীদি মতম্না অদুম কেঞ্জবনি।

কুমজা ১৯৪৯গী থৌদোক অদু ঙসি কুমজা ২০২৩দা অমুক্কা হন্না থোক্লি। ৱাফম অসি মণিপুরদা পোকখিবা অমসুং অঙাংশিংনা খন্থবগী মতমনি। হন্দক ৱাখলসি খলহৌদ্রবদি মণিপুর পূংমুৎ মূৎপগী পুংফমদা লাক্লিবনি। ঐখোয় পুল্লপ পুন্দবা য়াদে। ঐখোয়গী য়েক্লবা মশক খঙলে। ঐখোয়বু কনবিগদৌবা মরুপ মশক খঙদোক্লগা পূন্না তিন্নবগী তাঞ্জানি। মণিপুরী ফূরুপ্পু করিসু ওইনা খনবিদ্রবা মীওইশিংদা ঐখোয়না অমুক হন্না হায়জ-নোঞ্জবগী মতম নৎত্রে। মালেমসিদা পোক্লকপা মী পূন্নমক্কী হকসি চপ মান্নে। কনাগুম্বা মী অমত্তদা হন্থনা য়েংবগী, নমথবগী হক কনাদসু লৈতে। মীওইবগী থম্মোয় য়াওদ্রবা মীদি মী নত্তে। অতোপ্পা জীব অমনি। মজাতিবু থৌওইদ্রবা, নুংশিদ্রবা অদুগা অতোপ্পা মফম-মরাং খঙদ্রবা মীবুনা মপূনি, ঈশ্বরনি খল্লবদি অদুগুম্বা মীওইদুদি পাপকী কোমদা লংথরগা ফুমজিনবা তাবনি। মসি তাইবঙ মপুগী ৱারোলনি। ঐখোয় পূন্নমক অমনা অমগী মতেং পাংনবা তাবনি। অহেনবনা অৱাৎপদা কৎথোকপা হায়বসি মীওইবগী লীচৎনি। অসিগুম্বসি চৎত্রবদি মদু তাইবঙ মীওইবা নত্তে। অহেনবদু কত্থোকপীয়ু।

মীয়ামদা খঙই, হৈরে হায়দুনা খুদোম্বী উৎলগা ৱা ঙাঙলিবা মীওইদু মঙোন্দনা খূৎশা অহুম ওনশিল্লি হায়বসি মতোমতা খঙজদ্রি। মীওইবদি মশাগী মরাল লোৎশিল্লগা অতোপ্পগী মরাল থিবনা অয়াম্বনি। ঙসি ফাওবদা মালেমসিদা খ্বাইদগী অফবনি হায়না খল্লিবা পূন্নমকসি মশাগী মরালসি মতোমতা খন্থবা ঙম্বদি খরতনি।

ইন্দিয়াগী ইহান হানবা জেনরেল ইলেক্সন কুমজা ১৯৫২দা পাঙথোকখি। ইন্দিয়ানা ইন্দিপেন্দেন্স ফংদ্রিঙৈদগী করপসনগী কোহ্লিং কারবা কোংগ্রেস পার্টিদি মণিপুরদা শেল য়েনবগী চৎনবীসি হৌদোকখি। মতম অদুদা উরিপোক অমসুং থাংমৈবন্দ এ সী অনীসি পুল্লপ পুল্লমখি হায় পাবুং নাওদালেন খোম্বনা। মতম অদুদা মহাক চহী ১৪ শুরে হায়। অহানবা ইলেক্সন অদুদা কোংগ্রেস পার্টিনা লুপা ৫ অমসুং সোসলিষ্ট পার্টিনা লুপা ২ মীয়ামদা য়েনখি। শেল য়েনবা, অঙাংদা-অহলদা পীবসি থায়নদগী চৎনবী অমা ওইদুনা লাক্লি।

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) গী ইন্সত্রক্সন অমসুং গাইদলাইনগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা কেন্দিদেটশিংনা মায় পাকপা নত্তে। মণিপুরদা কেন্দিদেটশিংনা মীয়ামদা শেল য়েনবসি ঈ সী আইগী ওফিসলশিং অমসুং ইন্দিয়ন পূন্নমক্কা খঙলিবনি। মালেমগী অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইলেক্সনগী মতমদা চৎনরিবা থবক থৌওংশিং মণিপুরদা চৎনরিবা অসিদি অতোপ্পদা চৎনদে। মণিপুরগী কলচর অসিদি হীরম খুদিংদা তোপ তোপ্পী। ইলেক্সন্দা মায় পাক্লিবসি শেল য়েনবগীনি। পৃথিবীগী খ্বাইদগী অফবা বেষ্ট সিটিজন ওফ দি ৱর্ল্ড, অলবর্ট আইনষ্টাইননা কেন্দিদেট ওইরবদি মণিপুরদা শেল য়েনদ্রবদি মায় পাক্লোই। মণিপুরদদি অফবা মীদুদা ভোট থাদদে। খ্বাইদগী হেন্না শেল পীবা ঙম্বদুনা ইলেক্সনদা মায় পাক্লি। মরম অদুনা ঙসি ফাওবদা অফবা মী অমসুং ইমা লৈবাক্কীদমক কত্থোকপা মী অমত্তা ইলেক্সন্দা মায় পাকত্রি। ঈ সী আইনসু কন্সটিট্যুসনবু ঙাক্লগা থম্বা ঙমদ্রে। মীয়ামগী করিসু খন্থবীদবা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদি মতুংগী মীরোলনা নীংশিংগদৌবা লৈতে। মী অমগী থম্মোয় হায়বসি থম্মোয় শেংবা থবক্লা মতোমতা পুরকচবনি। শেলনা মীগী থম্মোয় লৈবা য়াবা নত্তে।

মণিপুরবু ৱর্ল্ডগী মীয়ামদা মীতৈ ফূরুপ মচা অমা লৈরি হায়না তাকপা ঙমখ্রিবী মিস জয়শ্রী কোংব্রাইলাৎপম শর্ম্মবু থম্মোয়দগী থাগৎপা পাউচেসিগী মতেংনা মীয়ামদা খঙহঞ্জরি। ইন্দিয়ন মচা অমত্তনা মমাঙদা অসিগুম্বা Bennett University গী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী গোল্ড মেদল অসি ফংখিদ্রি। মণিপুরী মচানা ওক্সফোর্দ য়ুনিভর্সিটিগী মেথমেটিক্সতা খ্বাইদগী অহৈবশিংনা ফংবা টাইটল Wrangler Award অদুসু ফংখ্রে। লায়রবা ইমুংদগী হৌরকখিবা ঐহাক্লা চহী কয়া তূমদ-চাদনা হোৎনরগা ইন্দিয়াগী লেভেলদা মেদল অনীসু মতম অদুগী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ভি ভি গিরিদগী কুমজা ১৯৭২গী মার্চ ১৩দা ফংজখি। ঐহাক্কী ইচানুপীসু B.R.D. Medical College, Gorakhpur দগী মহাক্কী বেটচতা ফষ্ট তারকখি। হৌজিক ইচানুপা (ঐচ সিকন্দর) সু South Shields Marine School, South England (United Kingdom) দা মার্চেন্ট নেভিগী চহী অমগী প্রোফেসনেল কোর্সতা মার্ক ১০০গী মনুংদা ১০০ ফংদুনা ফষ্ট তারি। অফবা মীংচৎতি মপানগী লমদা থল্লম্বা তারি।





China Long March 1934-1935

অসুম্না অফবা মীশিং মশক খঙদবা, অফবশিং পুথোকপা ঙমদ্রগা মাঙজরিবসি মীচম মীয়ামনি। ঙসি মীয়াম্না কুমজা ১৯৪৯দগী অফবা মীশিংবু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা খনবা ঙমদ্রি। মণিপুর অসি লৈখা তানা মাঙহল্লিবা, মূৎপা য়াবগী ষ্টেজদা লাক্লিবসি মীয়াম্না শেল লৌরগা ফত্তবশিংবু শৌগৎপদগীনি। খম থেংনা ৱারিবসি ঐখোয়না শীনজখিবা থৌরাংনি। মীওইবদি মহাক্লা তৌজবদু মতোমতনা ফংজবনি। হৈনৌ থারগা চমপ্রা-হৈক্রু-কোমলা পাল্লক্তবনি। ৱাখল খনবা/খন্থবা য়াম্না ৱাৎলি। ঐখোয়গী পূন্সি অসি ফাগি-ফরাংগী লম্বী নত্তে।

চহী ১২০ হেন্না নুপী খুন্নাই (লূপ) না, নুপীলাল ১৯০৪ অহানবদগী ৱারকখিবসি মালেমদা মশক খঙনবগী নোবেল পিছ প্রাইজগী মরমদা খন্ন-নৈনরগা সাইটেসন থানবগী মরমদা চহী ৩০ মুক ইজরকপসিগী হীরমদা কনাগুম্বা অমত্তনা ৱা তান্নসি হায়রকপা লৈত্রি। মালেমগী মীশিংনা ঐখোয়বু ইকায়খুম্নবা পামদবরা? অফবা থবকশিং পাঙথোকসি য়াদ্রিবসি করি মরমগীনো? নোবেল পিছ প্রাইজকী লুপা ক্রোর ৬ অমসুং সনা 24 Carat কী তুলা ১০দগী হেনবদি পীকখ্রবা লম মণিপুর হায়বা মফমদুদা মৈরা পায়বী লূপ অমা লৈরি হায়বদু মালেমদা খঙহনবদুনি। খুন্নাইসিগী খোঙচৎসি শোয়দবরা? মীয়ামসু য়াম্না মুন্না খন্থবীয়ু।

ইন্দিয়াগী সুপ্রিম কোর্টকী Judgement 5th January 2011 passed in Criminal Appeal No. 11 of 2011 দা য়াম্না ময়েক শেংনা ইরি মদুদি Kukis including Zomis of Manipur are not qualified for being Scheduled Tribes of Manipur on the ground that they are not original inhabitants of Manipur. অসুক য়াম্না মরু ওইবা সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অসি কনাগুম্বা মতিক চাবা উকিল অমনা ইহান হান্না পুথোকপীরম্লবদি কয়াদা য়াইফরমগদবা। সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অসিবু শীংনরগা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা 23 September 2022 Extraordinary Gazette অমা মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা থোকখিবসি অচুম্বা পুৱারীগী খুদমলা? ফম্নাইবগী অরানববু মীয়াম্না চুমথোকসি।

লো য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপগী মহুত্তা করপসন য়ুনিভর্সিটি লিংখৎপীয়ু। ফম্নাইবশিংসি ভাইস চাঞ্চেলর, প্রোফেসরশিং দিননচিংবা ওইবীয়ু। ৱর্ল্ড ক্লাস য়ুনিভর্সিটি শোয়দনা ওইগনি। মীচম মীয়াম্না লোইনমক খঙলি লৈবাক্কী লো অসি ফম্নাইবশিংগী মখূৎতা লৈ হায়বসি। ইন্সটিট্যুসন অমা লিংখৎপা হায়বসি মীয়ামদগী খোমখিবা টেক্সশিংদুনা শাগদৌবা ঙাক্তনি। লমদমসিদা হায় কোর্ট লৈরবসু লেন্দ-মার্ক ওইবা জজমেন্ট কয়া উখ্রবগে? ইন্দিয়াগী দেমোক্রেসিদি মালেমগী মীনা নোক্নরিবনি। মণিপুরগী দেমোক্রেসিদি মনিক্রেসিনি। মণিপুরদি শেলগী খুন্নাইনি। শেলগী অরোইবসু লাকখিগনি শোয়দনা। শেল অসি মীওইবগী পূন্সি নত্তে। শেলদি দরকার ওইবদু লৈরগা লোইরে।

রোমান সিভিলাইজেসনগী মতমদা জেনরেলশিং অমসুং লান য়াওরুবা সিফাইশিংসি লান লোইরগা লৌবুকশিংদা চৎলগা পোৎ-চৈশিং থারমখি। লৌবুকশিংদুদগী চাথোকশিং পুথোক্লমখি। হৌজিক্কী মতমগী ইন্দিয়াগী অমসুং মণিপুরগী জেনরেলশিং, সিফাইশিংদি ৱাজাওশিং মীদিয়া চেনেলশিংদা ৱারেম ঙাঙলগা মপূন্সি লেল্লি। লৈবাক্কী ফগৎনবা থবক পাঙথোক্কে খন্দে। অশোয়বা উরবসু-তারবসু তূমিন্না মমৈ হাইরগা লৈরি। মথৌনা মরিংজেল করি অমত্তা য়াওদনা হিংলি। শিবা ঙাইরি।

ঙসি দিসেম্বর ২১, ২০২৩ শগোলশেল নুমিৎনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টদা মপূন্সিগী মরু ওইবা চহীগী তাঙ্কত্তু মীয়ামগী য়াইফনবা থবক থৌরমশিংদা কত্থোক্লগা পূন্সি লোইশিল্লক্লিবা ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল ফোর্সেসকী পেন্সনরশিংগী তাং ১দা (হায়বদি থাগী অহৌবা তারিখতা) ফংগদৌবা পেন্সন অদু তাং ২১ ফাওবদা মতিক চাখিদ্রবা ফম্নাইবশিংনা পীবিদ্রি। অসিগুম্বা মথৌ মশক খঙদবা মীশিংনা লৈঙাক পায়বদগী মীয়াম পূন্নমক ঙমখৈ থেংনা ৱারি। মীয়াম পূন্নমক্লা কাউবিরোইদবনি অৱাবা তাঙ্ককশিংসি। মীয়াম্বু করিসু লৈতনা খনবগী লমন শোয়দনা খুমগদৌবনি। ফত্তবা, মতিক চাদবা, মীনুংশি লৈতবা মীশিংদগী করিসু অফবা থবক উরোই, ফংলোই।

ইন্দিয়া-পাকিস্থানগী বোর্দরদা থবক হায়বদি লানগী থৌওংশিং পাঙথোক্লকখি। ইন্দিয়া-পাকিস্থানগী বোর্দরদা Ditch-cum-Band হায়দুনা আর্টিফিসিএল ওবষ্টেকলশিং শেল্লি। শেল য়াম্না চংনা অমসুং মতম য়াম্না মাঙনা শারিবা বোর্দর ফেন্সিং মখল অমনি। লাইন ওফ একচুএল কন্ত্রোললনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লেন্দ মাইনশিং অমসুং Barbed wire খারগা বোর্দর ফেন্সিং শেল্লি। য়াম্না থম্মোয়-ৱাখল চঙনা বোর্দর ফেন্সিংশিংসি শেল্লি। অদুগা মণিপুরদনা চহী ৭৫ হেন্না ইন্দিয়াদা য়ানীংদনা তিনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা কিলোমিটর ১০ ফাওবা য়ৌদনা বোর্দর ফেন্সিং খারে হায়রি। ইন্দিয়া-ম্যান্মারগী (মণিপুরগী) পোজিসন অসি কিলোমিটর ২৯২নি উৎলি। কিলোমিটর ২৮২ ৱাৎলিবসি করম্বা সেঞ্চুরিদা খাগদৌরি? মীরাইখ্রবা ইরমদমনি।

মণিপুরদা বিল্ডিংশিং, অতৈ অতোপ্পা থবক থৌরম পাঙথোক্লম্বগী মহুত্তা মণিপুরগী বোর্দর ফেন্সিং অসি ফজনা খারম্লবদি ঙসি তারিবা দশাসি তারম্লোই খঞ্জে। মণিপুরদা মীতোপশিং মশীং খঙদনা লৈখ্রে। কনানসু মশীং থিরগা খন্দোকপা ঙম্লরোই। মীতোপশিংনা লমদমসিগী নুপীশিংগী মপুরোইবা ওইখিবসিসু কনানসু মশীং খঙবা নৎত্রবনি। হীরম খুদিংদা কাং খোং চাইরবা লমদম হায়বদু ওইরে। ওন্থোকপা ইরমদম হায়বদু ওইখ্রে। থম্মোয়না ঈ তারগা কপ্পা নত্তনা অতৈ পাম্বৈ অমত্ত লৈররোইদ্রা?

চহী অসুক শাংনা চহী ৭৫ মুক পার্লিামেন্টতা এম পিশিং থাখিবসি করি-করিদি শীংথানীংঙাই ওইবা থবকশিং পাঙথোকখ্রবগে? মরোল থোক্তবা জীবশিং থারম্বনা ফবগী ফীভম লাক্লি। পার্লিয়ামেন্ট সেসনশিংদা ৱা ঙাঙলোইদবা মীশিং খল্লগা থারম্বগী ফলনি ঐখোয়না ঙসি ফংলিবা মহয়সি। ঐখোয়গী অশোয়বশিংসি করি-করিনো হায়বদু ইতোমতা খন্থমিন্নসি। ফত্তবগীসু অরোইবা লিমিট অমা লৈরি হায়বসি কাউরোইসি।

মহাত্মা গান্ধীনা কুমজা ১৯৩০দা দি সোল্ট মার্চ হায়দুনা মার্চ থাদগী এপ্রিল থা ফাওবা বৃটিশ রুলগী মায়োক্তা লোঙ মার্চ অমা চৎখি। মাইল ২৪০ শাংখিবা খোঙচৎনি। অহমেদবাদতগীনা অরাবিয়ন সিগী মনাক্তা পাঙথোকখিবনি। অদুগা কুমজা ১৯৩৪-৩৫দা চাইনাগী লোঙ মার্চনা মাইল ৬০০০ (কিলোমিটর ৯৬৫৪) শাংখিবা খোঙচৎ ওইখি। সিভিল ৱার হায়বদি চাইনিজ কম্যুনিষ্ট পার্টি (সী সী পি) অমসুং নেসনেলিষ্ট পার্টি (জি এম ও) অনীগী মরক্তা পাঙথোকখিবা লোঙ মার্চনি। খোঙচৎ অদুদা মীওই ১,০০,০০০না শরুক য়াখি। মীওই ৮,০০০ খক হিংহৌখি। নুমিৎ ৩৭০গী খোঙচৎনি হায়না থেংনৈ। লোঙ মার্চ অদুগী পান্দমদি মীয়াম পূন্নমক অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন্দা চৎখিবনি। ফলদু ময়েক শেংনা ফংখি। Mao Zedong (Mao Tse Tung) না মীয়ামগী লুচিংবনি খনখি। চাইনাদা অহোংবা-অফবা পুরকখি।

পাকিস্থান্দসু করপ্ট ওইরিবা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা লোঙ মার্চ চৎখি। Andhra Pradesh তসু লৈখিদ্রবা Y.S.R. Reddy না খোঙনা চৎতুনা মীয়ামগী অৱাবশিং খঙনবা লোঙ মার্চ চৎখি। খোঙচৎ অদুগী মতুংদা Andhra Pradesh তা অফবা-অচুম্বা গভর্ণমেন্ট অমা লিংখৎখি। Rahul Gandhi নসু লোঙ মার্চ ইন্দিয়াদা চৎখি। অদুবু মদুগী ফলদি ময়েক শেংনা তাখিদরে, হন্দক্কী ষ্টেট মঙাগী ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন্দা। অদুবু কুমজা ২০২৪গী মেম্বরস ওফ পার্লিয়ামেন্টকী লোক সভা ইলেক্সনদদি অফবা ফল অমদি উরক্কদৌবা মাল্লি। পূন্নমকসিগী মরুমদা মণিপুরগী থবক থৌওং পূন্নমক্কা মপানগী লমগদি পুমখেন খেন্নবা হেক্তা লৈরম্লি। মপূগী থৌজাল ঙাইসি। পূন্নমকপু খুরুমজরি। ●


# লম্বীসিমসু লেম্না থাবীগনু

- খোইস্নাম ধিরেন মীতৈ -

হৌজিক্তি নহাশিংনা গাড়ী কার মমল অতাঙবা লৈদুনা থৌরগা লৈখোম লৈনাং তৈদুনা মোৎলকপা মতমদা লম্বী মপান্দা পুথোক্লগা ঈশিং কাপশিন্দুনা চাম্বসি তঙাইফদনা তৌদবা য়াদবা অমা ওইরে। মাগী গাড়ীদু চাল্লিঙৈদা লম্বীদা লাকপা মীশিংনা গাড়ীদু য়েং-য়েংদুনা চৎনখিবদু মশানা উবা ফংজৈ। লৈকায়দদি লৈমিন্নরগা পুনমিন্নবদি শংদবা মখোয় অমা অনীনা গাড়ী চাল্লিঙৈ মনাক্তুদা চঙশিল্লক্লগা গাড়ী অনৌবশিং হৌজিক মমল কয়া কয়া পীরিবগে হায়দুনা ৱারী শানবা ফংজৈ। গাড়ীদুগা গাড়ী মপূগা অনীসিনা মীয়াম চৎনরিবা লম্বীদুদগী হেন্না মশক ফজৈ। গাড়ী চাম্বগী ঈশিংদুনা অকুৎপা মফম থি-থিদুনা কোইচেন চেল্লগা সড়রক্তা তুংদুনা লৈবদু কনামত্তা উবীদে। অসুম্না কনামত্তনা উবীদনা লম্বীদা তুংদুনা লৈহৌবা ঈশিংদুনা কোমকুৎ শেল্লক্লবা মতমদদি ঐখোয় খুদিংমক্কী মীৎতা ফাওজিল্লক্লগা কোক য়ৌরকই।

পীল্লম্বা কোমকুৎনা নোংম-নোংমগী চাওরক্তুনা কোমজাও ওল্লকপা মতমদদি লম্বীদা লাকপা গাড়ীশিং চোং চোংদুনা চৎলি। লৈ লৈদুনা থৌনৈ। মুরুম-মুরুম শোন্নে। কোমকুৎ মরাং কায়না লৈবা লম্বী কয়া অমদি লৈরক ওইনা লৈখিদুনা মীয়াম্না ইখঙ খঙনদবা লম্বী কয়া মায়কৈ সলাই খঙদনা লৈনরিবনি। ঐখোয়না খাঙবা কনবা ফূরুপ ওইবগী গাড়ী মচা মনীংদা তোংবদা খূৎনা পুক্তা চেৎনা পায়শিল্লগা শুগৎতুনা খাঙবনি। করিমত্তা হায়বীদবনি।

মণিপুরগী লম্বীদা কোমকুৎনা মরাং কায়রবসু ওফিসকী থবক্তি ওনলাইনদা শূরে। মৈ লাক্তবা নুমিৎ য়াওরগদি মাগী-মাগী লাইবক হায়বদুনি। থবক খুদিংমক ওনলাইনদা শূরবনিনা ওফিসরশিংসু ইলেক্ট্রিক নিংথিনা ফংবা কম্প্যুটর মরাং কায়না লৈবা হেদ ওফিসতা লোইনা ফম্নরে। মানা ফমদৌবা থবক মফমদুদদি গো টু ভিলেজ হায়বগী থৌরম ওইনা নুমিৎ থা



লেপ্তুনা চৎনরে। অরাপ্পা খুঙ্গংদা লৈবা লায়রবা শিন্নীশিংগী খুদোং চানবা লৈঙাক্লা হাংখিবা সব-দিভিজনগী ওফিসশিংদি চৌকিদারগী ইঙ্খোল ওইদুনা মনা-মশিংনা ইশং-শংনা নীংথিজখ্রে। খুঙ্গংদা শাবিখিবা ওফিসকী অকোয়বদা তাজবা মীয়ামসু অয়ূক ঙন্তা চাকলেন চারগা অনানবা ফি শেৎ চাদুনা ইম্ফাল কাবা ফংজরে। পোরোম্পাৎ চৎপা ফংজরে। মীয়ামগী য়াইফনবা ঐখোয়গী লৈঙাক্লা হোৎনবীদুনা লৌখৎলকপা খোঙথাং খুদিংদা মীয়াম্না মনীং মমাঙ চিংদুনা কোই-ইন ইন্নরি। অসিতসু নত্তে, লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমদা ৱাকৎ চে অমা লানশিনবদা শুংশোয় শোয়দনা হাপ্তবা য়াদবা ইশাগী অধারদুগী ফোটো কোপি অমা হাপ্পদু ইশকসে ময়েক শেংদে কলর ওইনা হাপ্লকউ হায়দুনা লৌশিনবীদে। ঈ-ফাইলদা থবক শূরবা লৈঙাক অসিগী মীচম মীয়াম ঐখোয়সু হৌজিক্তি কলরগী মী ওইরে। অধার কোপি হাপ্পদা কলরনা ঐখোয়বু মশক মচু থোকহল্লে।

লম্বীনা কায়রবসু, সব দিভিজনদা লৈবা ওফিসনা মিরাং কারবসু মন্ত্রিশিংনা ঈ-ফাইলদা থবক শূরি। ওফিসরশিংনা ওনলাইনদা চে থানরি। মীচম মীয়াম্না খা-ৱাং কোইচেন চেন্নরি। অসুম্না কোইচেন চেন্নরিবা লম্বী ময়ামসিগী মরক্তা ইম্ফালদগী ময়াং ইম্ফাল (ময়ায় ইম্ফাল) ফাওবা শম্নরিবা লম্বী পরিং অসিগী শরুক খরদি গাড়ী অথৌবনা মঙক নারে, গাড়ী তোংবনা মবুক নারে। মখোয় অনীমক্লা লম্বী য়েংবা হোৎনবদা মমিৎ নারে। লংথবাল য়ৌরকপদা কোমকুৎ হৌরে। কোমকুৎ ময়ামগী ৱাখলদা হিয়াংথাং য়ৌখিবা খঙহৌদে হায়বদুনি। হিয়াংথাংদগী অমুক কোমকুৎকা লম্বী অপৈবগা অমত্তা ওইনা তিন্নখিদুনা অতৈ ৱাখল অমত্তা খন্ননবা মতম লৈতনা শমুরৌ য়ৌখিবসু খঙহৌদে। মরক্তা মীনা উবা ফংদবা, গাড়ীগী চকানা শুজিল্লগদা খঙবা অতোংবা মফমসু য়াওরিবনি। শমুরৌদগী অমুক ৱাঙ্গোই য়ৌখিবসু লম্বীদা লৈবা অকায়বশিংনা পুদুনা চৎখিবদা পুং কয়া হৌখ্রবগে হায়বা খঙজদে। লম্বী মপান্দা ঙাইহাক ফম্লগা পোত্থাদ্রবদি ঐনা চৎলিবা থবকসি করি থবক্কীনো হায়বা ঙাইহাক্তি কাউথোকচৈ। ঐখোয়গী সী এমনা লম্বীসিতগা লেম্না থাবীদ্রবদি কয়াদা নুংঙাইজগবা। ●

# য়ু থকপনা খুনাইদা মাংহনবা – (১)

## লৈঙাক্লা য়ুদগী ফংলকপা শেনফমশিংদগীদি খুনাইদা মাঙজবনা হেনগনি

- প্রো: বেডমনি -

য়ুনা খুনাইদা কন্দায় ফাওবা মাঙহন-তাকহনবা পুরকপগে হায়বসি হৌজিক্কী মতমসিদা মমুৎ তানা খন্ন-নৈনদবা য়ারকত্রে। মসিগী মরুওইবা মরমদি মমাংঙৈগী মতমদদি চাবা থকপা খরা ফংলগা মীওইবা ফুরুপ্পা অদুম পেন্দুনা লৈথোক্লম্মী। অদুবু হৌজিক্তি সাইন্স অমসুং টেক্নোলোজি চাওখৎলকপগা ইরোয়ননা টেবল চৌক্রিদা ফম্না ফম্না ফূরুপ মশেল মরক্তা অমদি মীগা-মীগগী মরক্তা অথোই-অহেন তান্নরক্লবনিনা মীওইবনা বুধি লৌশিং ফনবা হোৎনবা তারকই। লোয়ননা চাওখৎপা হায়বসিদা মীওই কাংলুপ অমতমক চাওখৎলগা লৈবাক্তু চাওখৎলে হায়বা য়াদবনিনা খুনাইদুদা লৈরিবা মীওই খুদিংমক চাওখৎহন্নবা হোৎনবা তাই। মতাংসিদা ঐখোয়না য়ুনা খুনাইগী করম করম্বা লমদা মাঙহন তাকহল্লিবগে হায়বদু য়েংসি –

(১) মীওইবগী মশাদা : য়ুদা য়াওরিবা ঐখোয়গী হকচাংদা অমাঙবা থোকহল্লিবসি ইথাইল অলকোহোল হায়বা মচল্লদুনি। মসি ঐখোয়গী হকচাংগী অয়াম্বা শরুক অমা ওইরিবা ঈশিংসিদা য়াম্না থুনা তুমগনবা মরম্না থুনা হকচাংগী ঈচেলদা তিনশিনখি। লোইননা লেমহৌরিবা য়ুদা য়াওরিবা মচলশিং দুসু হকচাংগী ঈচেলদা অদুমক তিনশিনখি। অদুগা য়ু থক্লবা মতুং পুংমুক্কী মনুংদদি থকখ্রিবদুগী চাদা ৯০ রোমদি ঈচেলদা তিনখি। অদুদগী ব্রেনগুম্বা হকচাংগী য়াম্না মরুওইবা কয়াৎকুম্বদদি ঈশিংগী শরুক য়াম্না য়াওবা লোইননা ঈ য়াম্না সপ্লাই তৌবা মরম্না য়ু থকখিবগী ইফেক্তসি থুনা য়ৌই। সাইকোলোজিষ্টশিংনা থিজিন হুমজিল্লবা তুংদা পুথোরকখিবা ফলগী মতুং ইন্না কনাগুম্বা অমনা য়ু বোটল অনি থক্লবদি ঈচেলদা তিনখ্রিবা য়ুগী চাংসি চাদা ০.০৫ রোমনি। অসুম্না য়ু বোটল অনি থক্লবা মীওই অমগী ব্রেনগী মপাল থংবা শরুক্তা য়াওরিবা অৱা অনা, অকিবা, নুংনাংবনচিংবা পোকহল্লিবা সেন্টরদু এফেক্ট তৌদুনা মশাদা অৱা-অনাগী চৈনা কাউদুনা য়ুবু থক্লবদি পুন্নমক কাউথোকপা ঙম্মী। অমরোমদা শেরান্ননা পুখিদুনা হৈনবী অমা ওইহল্লকই। মসিগী চাংসিদগী হেন্দোকখিদুনা ঈচেলদা য়ুগী চাংসিনা চাদা ০.১ য়ৌরবদি ব্রেনগী মনিংথংবা শরুক্তা লৈরিবা মোটোর সেন্তরশিংগী মপাঙ্গল শোহ্নহন্দুনা মসল কন্ত্রোল ঙমলক্লোই। অদুদগী য়ুগী চাংসিনা চাদা ০.২ য়ৌরকপা মতমদনা ময়ায় থংবা ব্রেনগী শরুকশিং পংথহন্দুনা য়াম্না তূন্নিংবা পোক্লকই। অদুগা ঈচেলদা য়াওরিবা য়ুগী চাংসিনা চাদা ০.৫ য়ৌরকপা মতমদদি ব্রেনগী খ্বাইদগী মখা থংবা শরুক্তা লৈরিবা শ্বর হোনবগী সেন্টরসি পংথহন্দুনা মথৌ তৌদবা ফাওবা থোকপা য়াই। অসুম্না হৈনবী অমা ওইনা তোয়না য়ু থক্লবদি ঐখোয়গী হকচাং শাগৎপদা মরু ওইবা থৌদাং অমা লৌরিবা সেলশিং অসি মথং মথং ওক্সিজেন সপ্লাই ৱাৎপদগী শিথরকই। মসিদা খ্বাইদগী হেন্না অচৌবা অমাঙবা অমা ওইরিবদি ঐখোয়গী ব্রেন্দা য়াওরিবা সেলশিং অসি শিখ্রবা মতুংদা অনৌবা অমমুক শাবা ঙমদে। ঐখোয়গী ব্রেনদা য়াওরিবসি চাওরাক্লা সেল মিলিয়ন ১৭ লোমনি। মসি য়ুদা হৈনরবা মীওই অমদদি তপ্ন-তপ্না খরা-খরা অদুম শিথখিদুনা মমৈদদি বুদ্ধি লৌশিং ৱাৎলবা মীওই ওইরক্তুনা অফ-ফত্ত খঙলক্তে। ব্রেন্দতা নত্তনা হকচাংগী কয়াৎশিংদসু শোকচিল্লকই অমদি অয়াম্বা মতমদা য়ু থক্তবা মীওইশিংদগী খরা ঙনখৎনা মপূন্সি লোমগল্লি।

(২) খুনাইদা মাঙহন-তাকহনবা : য়ুনা খুনাইদা মাঙহন তাকহল্লিবসি লোইবা খন্বা লৈতে, ওন্থোক্লা য়ামখ্রে। অহানবমক্তদা য়ু থকপনা য়ুমদা শান্তি লৈহনবা ঙমদে। অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়না তারি অমদি উরি – য়ু থকপা নুপানা য়ুমগী নুপী অঙাংবু শাথিনা ওৎপী নৈবীবা। মসিনা মতোইনা থোক্লবদি ইমুং কাংখোং চাইদুনা ব্রোকন ফেমিলি ওইহল্লকই। অঙাংশিংগী মরক্তা জুভেনাইল দেলিং কুয়েন্ট য়াওরকই। হাৎন শুনবা, ফুন চৈনবা মশিং য়ামখৎলকই। নুপীগী ইজ্জৎ মাঙহনবা, হাৎপা-তুপ্পা তোয়না থোক্লকই। অঙাংশিংবু নীংথিজনা য়োক থাক্তুনা মীওইনবা শেম্বীবা ঙমদে।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০

১) **''মসিদা নূংশিং অসি করম্বা মখলগী শক্তি চেনবগে, মফম কদায়-কদায়দা লৈরিবনো হায়বদু কাপশিং লমশিং পন্দুনা নিঙথিনা তাক্লি।''** অসুম্না তাক্লিবা লাইরিক অসি করি লাইরিক্নো?

২) **''এরিষ্টোটলগী পোয়টিক্স''** হায়না মিংথোল্লবা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

৩) **''অদুঙৈগী থাবল্লে''** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৪) **''হে অথৌবা!**
**মীতৈ লৈমগী মপারি**
**নীংবা কায়রবা মীওইশিংবু**
**নৌনা থৱায় হাপ্পিরম্বা...।।''**
শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

৫) **''কংনাইদ্রবা ফিজি''** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং অইবসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।